# লৈনম য়াওদ্রিবী লৈরাং

সনাতন হামোম

CS CamScanner

# লৈনম য়াওদ্রিবী লৈরাং

সনাতন হামোম

বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ
কমলগঞ্জ শাখা
মৌলভীবাজার

©
হামোম ওংবী উষা (শাবী)

*অহানবা ফোঙবা*
আহনবা আন্তর্জাতিক ইমালোন নুমিৎ, ২১ফেব্রুয়ারী ২০০০ইং

মখুম য়েকপা ঃ হামোম প্রমোদ

*অফোঙবা*
বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ
কমলগঞ্জ শাখা, কমলগঞ্জ,
মৌলভীবাজার

*কম্পোজ*
য়েনশেনবম ললিত

*নক্ষম*
রিলায়্যাবল প্রিন্টার্স
৭৬ আরামবাগ ঢাকা-১০০০।

মমলঃ লুপা য়াংখৈ

**কৎচবা**

তাইবং পান্দা ঐবুতা নুংশিনা লৈগে
হায়রিবী
ঐগী নুংশিবী “শাবী”

## য়াওরিবশিং

লৈনম য়াওদ্রিবী লৈরাং
কদাইদনো ঐগী নুংশিবী
মতমগী ঈচেল
লৈরাংগী কৈথেল
ইমা
বসন্ত বিদায়
শজিবুগী লিকোন
খুরমজবা
পামজর্বা ঐদি
লালহৌগী ৱারী
নঙ
লৈশাবী
সুবর্ণাগী চৎপা
নঙসে ঐগী কবিতানি
ইবেম্মা পিএলএ
করিগীনো কপ্লিবা
কদাইদনো চৎকদবা
ৱাহং
মৈতৈদি মৈগী ফিরান পায়বনি
ইমালোন নুংশিশি
হৌনবা হৌনদবা
করৌ লাইনিং
মাধবী পার্বদা
নোংমা ঐনা পাখং ওইর্বগী ৱারী
লাইররবী ইরোন্নী
নংনা লাকত্রবদি
খুঞ্জা তরামরিগী ফিবম
লময়ানবা হৌরশি
নুংশির্রবদি
নঙগা-ঐগা
লৈশাবী চরোং অমগা ময়োক্নবা
অরানবা ঙাক্তনি
নংবু পামজর্বগীতনি

সনাতন হামোম কবিনি। বাংলা কবিতাগী লৈমায়দা মতম কুইনা খোঙদোয়রবা কবি অসিগী মৈতৈ সাহিত্য মন্দিরদা কৎচবা অহানবা খুদোলনি “লৈনম য়াওদ্রিবী লৈরাং“। য়াম্না রোমান্টিক ওইবা কবি অসিগী ৱাখলগী লৈকোলদা লৈশাৎ তম্লক্লিবা লৈরাং কয়ানা লৈতেংলবা শৈরেং লাইরিক অসিদা ঐখোয়না কবিগী শংবানরবা মঙলান কয়া মচু নাইরবা শক্তম লৌদুনা তাইবং ফাউনা চোংথোরকপা থেংনৈ। নুংশিবনা য়ুম্ফম ওইরবা কবিগী থম্মোয়দা লৈশাৎ তম্লিবা নুংশিবসে মখল-মচুগীনি,নুশিবী থম্মোয় অমবুতা নত্তে, কবিনা নুংশিরিবসে মমালোন-মজাতি-মশাগী ইনাৎ ফিদমগা লোয়ননা মীওইবা পুন্সিবুসুনি। পুন্সিগী য়াক্লবা শক্তম কয়া, অৱা-অনা পেন্দবগী নুংশাশোর কয়াসু ঐখোয়না থেংনৈ কবিসিগী কবিতা লৈকোলদা। মশাক-মচু ফজবী-লৈনম চাউরবী মৈতৈ সাহিত্য লৈরাংনা বাংলাদেশকী শংবানবা তম্পাক্তা নৌনা লৈশাৎ তম্লরবসু হৌজিক ফাউবা লৈনম চেনবা ঙমদ্রি হায়বগী পেন্দবা-নুংঙাইতবগী তেংথাখোল অমা ঐখোয়না থেংনজে। বাংলাদেশকী মৈতৈ সাহিত্য লৈরাং লৈনম য়াওদবমক্তি নত্তে-মালেমগী অতৈ লৈনম চাউরবী লৈরাং কয়াগী মরক্তা ফুদোকপা ঙমজদবা জাৎনি লৈবাকলৈগুম লোৎনা লৈবা মাগী ইংল-তপ্লবা নুংশি লৈনম অদো। অদুবু কবিগী অকনবা আশানি-বাংলাদেশকী মৈতৈ সাহিত্য লৈরাং নোংমদি শোয়দনা মালেম শিন থুংনা শন্দোরক্কনি মাগী নুংশিবা লৈনম। আশা অসে ঐখোয়গীসুনি।

-এ.কে.শেরাম

<u>অইবগী ফোংখ্রবা লাইরিকশিং</u>

১.কল্পবধূ- বাংলাগী শৈরেং
২.ঈপ্সিত বাসনা- বাংলাগী শৈরেং
৩. ইপোম-সম্পাদনা
৪.লৈনম য়াওড্রিবী লৈরাং

CamScanner

## লৈনম য়াওদ্রিবী লৈরাং

কনানসু য়েংবিদে লৈনম য়াওদ্রিবী লৈরাং নঙবু
উরবসু উবিদে
ফজরসু ফজৈ হায়বিদে
নুংশিরসু নুংশি হায়বিদে
কালেনগী খাঙবা ঙমদ্রবা নুংশা মরক্তা
লৈরাং নঙনা হুরান্না শাৎকে হোৎনবা
ঙসি চহি য়ামলে
লিশিং অহুম হেল্লকলে।

লৈরাং নঙদি লৈনম চেনবী লৈনুংশিনী
কবিনসু হায়রি
মহৌশানা ফজবিনী, থোৎনা-নৌনা শাৎপিনি
লৈনম চেনবী লৈরাংনি,
এনথ্রোপলোজিষ্টনাসু হায়রিঁ
পোকফমদি মণি-মুক্তা মরক্তনি
পাখংবগা লোয়ননা লয়োন হুনবি
তনৌরবী, মগুন লৈবী লৈরাংনি
লৈরাং নঙদি তপ্না ইংনা শাৎপা হৈনবী
পোমনা শাৎপী পোমশাৎপিনি।

লৈরাং নঙবু বাংলা ইমানা য়োকপদি
চহি কুনমঙা ফাদৌরে চায়ুম্বা মতম য়ৌরকলে
অঙাঙ লৈশাৎ য়াওদ্রিবী
মশক্তা ফজরগসু লৈনম য়াওদ্রিবী
লৈরাং নঙদি
কনানসু কৌবিদে
নঙনা কৌরসু তাবিদে
তারসু, উরসু
কনানসু পাম্বিদে, কনানসু থৌসাবিদে
হোৎনবদা ৱারবী

নোংমাগী তত্তনা কপ্লিবী
থোৎ-নৌরবী লৈরাং নঙগী তেংথারোল
কনানসু তাবিদে, উরসু উবিদে।
লৈরাং নঙনা মণি মরক্তা য়াকাইগে খনবদি
মতম য়ান্না শাংলে
পোমনা শাৎপসু কুইরে
নুংশিখ্রবা লৈরাং নঙগী লৈনমদি
মালেমশিৎনা থুংদ্রি মরমদি.
চহি তরেৎ খুন্তাকপনা হায়রি
সেকেণ্ড ব্বার নাসু হায়রি
অশৈবা অমদি অইবাশিংনা ইরম্বা
মমলগী ফিবাল নাইদ্রবা
শৈরেং ব্বারেং কয়ামা লাঞ্জেনবদা
মফম মরাং খঙদনা মাঙখিবনি,
মালেমগী লময়ানবা মীয়াম্নসু লাউরি
লৈরাং নঙদি লৈনম চেনবিনি
খঙদবনা হায়বনি,
লৈনম য়াওদ্রিবী লৈরাং নঙদি
ইরৈবাক কনগনি হায়না চোংথোরকপা
লময়ানবা লাম্মী ময়াম্নসু হায়রি
ইজাতি নুংশিখ্রবা কবিমনাসু লাওরি
লৈরাং নঙদি পুকচেল শেংলবী
পাঙ্গল শোল্লবী লৈরাংনি,
লৈরাং নঙনা পোমশাৎলবদি
নোংমদি সোয়দনা লৈখোল লৈনম চেল্লগনি।

১২.১০.৯৮ইং
রাংগামাটি।

## কদাইদনো ঐগী নুংশিবী?

কদাইদনো ঐগী নুংশিবী?
চৎলবরনে নঙবু
থাদোকতুনা মালেম ইমাবু
ইমাবুতসু নৎতনা ঐবুসু?
কদাইদনো নঙনা চৎলিবা
করম্বা মফমদনো, কদাইদনো
কদাইদা চৎলগা উনগদবা
নঙগা ঐগা, ঐগা নঙগা
তাকলম্মূ মিঙমদ্রবা ঐঙোন্দা
করি নুঙাইতনা চৎলিবা?
চৈরাক কল্লবা সমাজ সিনা
মিনুংশী খংদ্রবা জাতিসিনা
নুঙাইফম লৈত্রবা মালেমসিনা
তাঙ্খোকপিরে নঙবু , অদুবু করিগিনো নুংশিবী?
ঐদী নুংশি মৈশানা ওমচাকনরে
বুদ্ধি লৌশিং শুমহৎখ্রে
নঙ চৎখিবনা ঐদী নোংমাগী তত্তনা
অকি-অখঙ থেংনরে
মিৎকী পিরাংনা তেংথারে
লৈফম খঙদদুনা কোয়ঙাও ঙাওরে।
কাওখ্রবরানে নুংশিবী ঐখোয়নিগী নুংশি ৱারেপ
শগোলশেন নুমিৎকী থাসিগুম্না মল্লবা
মীরাওখোল লৈত্রবা নুমিদাং অমদা
ঐখোয়নিগী প্রেমবু, ঐখোয়নিগী পুন্সীবু
তাইবংসিন্না ঙালহনসি ৱারেপ্পখিবা?
কাওখ্রবরানে নুংশিবী, কদাইদনো নুংশিবী নংবু?

০৮.০২.৭৬ ইং
হামোমখুল

## মতমগী ঈচেল

সংঘ, সমিতি, সংস্থা, সংসদ
য়ুমলক-কৈরক, খুল্লক-লৈরক
নুপি-নিপা, অহল-নহা, ছাত্র-ছাত্রী
হৌরী, লিংলি, কায়রি, শেমলি।

সভা-সম্মেলন, মিটিং- মিফম,
চথরী চুন্না, কায়রি কয়া মফম মফম,
থাখায়গী, থাগী, চহিগী, চারক্কী,
কান্ননবা ময়ামগী, চাওখৎননবা লৈপাক্কী।

খায়রী, নিরী, কৎলী, পিরী,
কোয়চৎ চৎতুনা ৱাই-ৱাদে হায়দনা,
য়াইফননবা ময়ামগী, ওইহৌননবা ঐখোয়গী,
ঐগী, মীগী খায়দনা অমত্তা ওইবগী ৱাখলদা।

লৈরমদে সংঘ, লৈরকলে সমিতি,
লৈরমদে কর্পোরেশন, লৈরকলে রিলেশন,
কানদবদি নত্তে সংস্থা সংসদনা
য়ান্নমক নত্রবসু খজিকতং ওইনা।

২০.০৪.৭৮ইং
হামোমখুল

## লৈরাংগী কৈথেল

প্রকৃতিগী নুংশিরবী বসন্তনা লাকলবদা
কানরী নুংশি কৈথেল
খন্নরী অপাম-পামদবা অফবা
থম্মোয়না মমল ওইনা।

বসন্তগী গোধূলী অমদা
কারুরে ঐসু নুংশি কৈথেল
উজরুরে লৈরাং অমা, লৈকোনগী কাচিন অমদা
পোমশাৎনবী লৈরাংনা নোকফেৎ তৌরকপদা
মালংবনা হায়রকখি
লৈকা ফন্না শাৎপিনি
লৈনম চেনবী লৈরাংনি;
লৈরাং অদু উবদা
মীহুন মঙা পায়খরে
মীহৌরুরে লৈরাং শক্তম উবদা।

লাইরিক লাইশু তৌনিংদ্রে
মীৎতা তন্দন পায়ররে
তৎতনা উরে মংলান্দা
মালংবনা খিক্রি মরক ফাওদুনা
পাওমেঞ্জরে লৈরাং লৈনম নমলরাও।

লৈরাং-লৈনম নমলুরে
থম্মোয় শোক্না নুংশিরুরে
ইমিৎ পেন্না য়েংজরুবা
পেনবা নাইদ্রবী লৈরাংদো তিংখঙ পানবী ওইরমলে।

২৫.০৫.৭৮ ইং
হামোমখুল

# ইমা

ইমা নঙনা নোংমাগী তৎতনা চৈরম্বা
লমহেল্লী হায়দুনা চৈ পায়দুনা তান্নবা
পাঙ্গন শোনবী ইমানা তানবা ঙমলোই খঙদুনা
হন্না হন্না য়েংদুনা নোকফেৎ তৌদুনা মীরাইখিবা
ঙসিদি কাওবা য়াদ্রে, অরানবনি খঙবা ঙমলে অপংবা নচানা।

ফৎতবী ইমানি, ফুগনবি ইমানি
চৈগনবী ইমানি হায়দুনা মীরাইখ্রে ইমাবু কয়ারক
নচাশিং শেম্বিবনি খঙলমদে অপংবা নচানা
হুজিকতি ইপাম্বোম চাওরে বুদ্ধি লৌশিং লৈরে
ইমাবু উজবা ফংদ্রবা মতমসিদা
খঙলকলে নচাশিংবু শেম্বিরম্বনি
জ্ঞান তারকলে অপংবা নচাশিংনা।

অমৃত খোল্লাং পিথকতুনা
নচা ঐখোয়বু চাওনবা য়োকপিরকখিবা
ৱারৌদুনা হুজিকতি, নদোম তুমিন চৎখ্রবোই।
নচা ময়াম লৈরগসু, কনামতা লৈতবগুম
নদোম পোৎলুম পুখিবী
তাইবং পান্দা মী ওইনবা হোৎনবিরকখিবা
সমদ্র গুম্বা পলেম নঙগী লমনবু, করম্না শিংগনি নচানা?
নোংমগী তৎতনা মীৎকী পিরাং শিন্থদুনা
নুংশিরবী ইমাবু নিংশিংজগে ঙাকপিয়ুকো ইমাও।

৩০.০৫.৭৮ ইং
হামোমখুল

## বসন্ত বিদায়

ঈশ্বর নঙগী অঙকপা থৌজালনি
ঋতু তর ুক্কী মরক্তা রূপকী তিনফম ওইরিবী
নঙদি য়েন্নিং হুনবনা লৈতেংবী ফজবীনি
বসন্ত নঙদী নুংশিজৈ পামুজৈ ।
মতমগী চাওরবা ঈপাক্তা খোংদাবিরমলগা
নুংশি পাওজেল পিরমলগা
শাবী শানৌ পুন্নমক নুংশি ইপাক্তা
প্রেমগী মৈশানা চাকহল্লমলগা
কনাবুসু তাকলমদনা য়াওনখিবদি
কনাবু মিরাইবিবনো, ঋতু নঙগী নহৌসারা?
বসন্ত নংনা চৎখিবা
অপেনবা নাইদ্রবা শাবী-সানৌদি অমুকসু উনিংঙি
তৎতনা উনিংঙি- ।

৩০.০৫.৭৮ইং
হামোমখুল

## শজিবুগী লিকোন

বসন্তনা লাকলগা ৱাখন-পুখন ফ্রং - ফ্রং চোংবগুম
অকি অখং চেনবী শজিবুগী মন্নবা অহিং অমদা
য়ুমদগী হুরান্দুনা তুমিন্না
লিকোন শানবা চৎলুই, শাংনা তাবা খুন অমদা।

কোরোক্কোইনা ফন্নগা তনৌরবী ময়ান্না
ৱা-ৱা লাওনা নোকপদা
নিংথিরবী লৈরাং অমনা মিৎচিনা খজিক য়েংখিবা
নোকফেৎ তৌরবী মায়থোংনা
লৈরাং থম্বাল ঙমজবী নুজাদো উরুবদা
খংহৌদনা হুখি পুক্নিং ; নুংশিরুবা ঐদি লায়মন চেনখি।

রূপকী তুংনফম ওইরিবী
মতিক মগুন লৈরবী অভিসার হৈবী ইবেম্মাদো
তোয়না তোয়না য়েংমন্দুনা
পেনমন্দনা মীখৎ অমা তৌববু
খুদুম্না সুগে হাইবগুম ইরাং অমা তৌরকখি,
উসিৎমন্দে খন্দুনা মনাকতা চংনা ফন্নগা
লিকোন শানবা য়াওরুই,
থোৎলবী নৌরবী পাম্বোম্না
পিরকখিবা লিকোন্দী দুরি তমা থোকখি।

৩.৬.৭৮ইং
হামোমখুল

## খুরমজবা

হে ইমা নুংশিবী , মগুন লৈবী ইমাও
তাইবং শিন্না থৌজালবিরিবী
লৌশিং য়াওদ্রবা নচানা খুবাং তরা য়াদুনা
তৌজরি প্রার্থনা , কৎচরি খুদোল ইমাগী চরন্দা ,
পুন্সী নাওকোন নোংদম্বী
অফা-ফত্তা পুন্নমক্কী
থৌজাল ওইনা ঙানথোইরিবী মগুন লৈবী ইমাও
তাকপিয়ুকো তাইবং লম্বী পম্বুংফম।

হৈনা-চেচা তন্নিঙৈ
কেকুৎ লোৎপি শানরিঙৈ
লাইরিক লাইশু তন্নিঙৈ
হৌখ্রে মতম, লেনখ্রে পুন্সী, ইমা নিংবা ঙমহৌদ্রে
হৈতা হৈতা নোমজবা থৌরাং নচানা
চুম্মি-চুমদে, ফৈ-ফৎতে য়েংবিনু
অপংবনি খন্দুনা ঙাকপিয়ুকো ইমাও।

হে ইমা নুংশিবী , মগুন লৈবী ইমাও
নচা ময়াম য়োকপিয়ু
জ্ঞানগী ভান্ডার পিবিয়ু
লুপা-পৈসা হাপ্পিয়ু
য়াইফা থৌজাল পিবিয়ু
নোংমাগী তত্তনা ইমা সেবা তৌজগে।

৪.১২.৭৯ইং
কক্সবাজার

## পামজরু‌বা ঐদি

শকহেনবী নঙবু পামজারু‌বা ঐদি
নঙগী মাঙখ্রবা শক্তমদো
শরৎকী থম্মোয় হুরবা থাবলদা
পুক্লিং ইংনা চেল্লিবী তুরেলগী তোর্বান্দা
থাবলৈ কৌবী লৈরাংনা সাক্ষী ওইদুনা
অদোম্না নুংশি হায়বগুম মিতাবিবা
কাউবা ঙমদ্রবা থম্মোয়না থরায় শোক্লা নুংশিখি;

পাখং ঐগী থম্মোয়দি
কৃষ্ণনা রাধা নিংবগুম
খম্বানা থোইবী শোনবগুম
তৎতনা শোল্লী নঙবুতা।

ফিল্মগী অভিনেত্রীনা অভিনয় লোইখ্রগা
মমীনা লৈহৌবাগুম
রাধানা হুরান্না চেনখিবা
নঙগী শক্তন্না মাঙখ্রবদা
থম্মোয় শোক্লা কপনিংখি।

১৯.৬.৮৬ইং
ময়মনসিংহ

## লালহৌগী ৱারী
(নৌনা পোক্পা অঙাংশিংগী মফমদা)

হৌরক্লগদবা লালহৌগী 'বিউগল' তাবদা
ইন্দ্রপুরদগী লোন্না চেল্লক্লি নঙদি,
পামজবা ঈশৈগী খোঞ্জেলদা কঙাওনদুনা
মালেমদা কুমথরক্লি পলেমগী পিবুক নুংদগী।
কৈদৌঙৈদসু নঙদি মঙদাফাউবা খল্লিরোই
অসিদা পাক্লা 'লমপাক শিন্না খৎনা-চৈনাবগী মীরাউখোল
হিংবগী লানফমদা·তত্তনা মায়োক য়াবা অৱা মায়থীবগী,
মালেম শিনথুংনা চারাম চদৎনবশিংগী অৱা খোঞ্জেল।

মমাগী নুংশি অমৃত খৌরাংবা মচাগী মশিং থিঙমদে
য়াইফবগী মহুতা অৱাবগী পুন্সি পোৎলুম পুদুনা
লানদা মায়থীরবা চরাম চদৎনরবা লাম্মীগী মতৌগুম
ৱানা ৱানা পুন্সি লেল্লি কঙাওনরবা মীয়াম প্রজা।
মায়কৈ খুদিংমক খুদুম চল্লি ৱাখল থেনবশিংনা
ঐখোয়গী পুন্সি মায়োক্নরি ঙসি করেন্নবা অমসুং চিরোন্নবগা।
ধর্মগী মিংদা ঙাউশিন্নদুনা অতোপ্পা নুজা কনাবু মশাবীনি খন্দুনা
কোনশিন্দুনা চুপ্পি ধর্ম লল্লোনলিবা পন্ডিতশিংনা।

নঙনা লাক্লিবসি অৱা-অনা কয়াগী মরক্তনি
নুংশিবগী মরম ওইনা মীওই পুন্নমক্লা মরন্নাই কান্নবা থিবা,
ওৎনৈবা অমসুং মীবু শুক্ষৎপগী ফত্তা লৌশিংনা পাম্বৈ ওইদুনা
অমম্মম তৌদুনা পুন্নমক ঙাইরি মাগী পামজবা তঞ্জাবু।

মখোয় পুন্নমকপু ময়োক য়াগনি নঙনা লৌশিং অমসুং জ্ঞাননা
অদুনা নঙদি লৌশিং ফবা তাই, নুংশিহৈবা তাই
কবিতাগী মরম ওইনা ফোঙদোক্কনি নঙগী অকনবা খোল্লাও
শান্তিগী মীচংদা ওইগনি নঙনা নিংহন্নদ্রবা লাম্মী।

নঙনা লাকপদা মায়কৈ খুদিংদা তাবা ফংলি অরেপ্পা খোল্লাও
ওৎপা নৈবা লৈত্রবা খুন্নায় অমা লিংবদা নঙগী অচেৎপা ৱাশক

সাহিত্যগী মরম ওইনা খুন্নায়বু শেমগৎপদা নঙগী খোঙথাং পুন্নমকপু মপুঙ ফাহনবদা মায়কৈপুম্বা নিল খোঙলককনি, শেল থুম নত্তে- মিংচৎসু নত্তে- অশেংবা জ্ঞানগী মঙালদা থম্মোয়নুংগী ৱাখলগী মমি তন্নকপদা সাহিত্যগী ঈচেলদা নঙগী অৱাবা 'পুম্বা মহৈ য়ানগনি; অয়ুক উচেক্কী ৱাৱাদা মায়কৈপুম্বা পুমনিল নিনগনি হরাওবা অমসুং নুংশিবদা।

২৫.২.৮৭ইং
ময়মনসিংহ

## নঙ

(কনাগুম্বী জগোইশাবী নুজা অমদা)

নঙ ফজৈ হায়দুনা ঐনা কৈদৌঙৈদসু
মথৌ তাবা-তাদবদা নোং ওইনা চুথরকখিদে
নুংশিৎকী অকন্‌বা শাফুদা হুমজিনখিদে কৈদৌঙৈদা
চুম্নতা অশিংবা শাদান্‌বগী মতৌগুম মতম লেনখি
খুদোংচাবা তাঞ্জাবু ঙাইবদা।

নঙ ফজৈ হায়দুনা ঐনা কৈদৌঙৈসু
নুংশিগে খল্লুদে নঙবু; অঙাউবা অমাগুম্না নুংশিজৈ নঙবু
খঙনিংখি ঐনা-খঙনিংখি নঙগী মিৎয়েংদুগী অর্থদুতবু,
নোংনা চোৎলবা ক্লাক্‌কী অয়াক্‌পা খোঞ্জেলদসু ঙকচানরূদে
চুম্নতা নঙগী নাক্তা লৈজনিংঙুই।

নঙ ফজৈ হায়দুনা ঐনা কৈদৌঙৈদসু
নুংশিগে খল্লুদে নঙবু; নঙনতা নুংশিহন্‌বনি ঐবু
থাজ নত্তে খংঙি--অদুবু নঙগী থাজ মান্‌বী মীনোক্‌তুদা
লাই সেবাগী মওংদা বর্তিত পায়দুনা হকচাং শাথেক্কা লোয়ননা
জগোইগী তান্থাদা মীৎচিগী লাং থাক্তুনা
অঙকপা সুক্ষ্মৎপমগা তুরেলগী ইচেলগুম ঐবু নুংশিহল্লি নঙনা।
নুংশিহল্লি লাইরিক্কী মেলামদা নদোম তুমিন্না লেপ্তুনা লৈবা
নঙগী ব্রারৌচাউবী মিৎস্নাদুনা। নাপুগী ফনেক, খুৎতা খুদোপ
নোকমি মায়থোংদা নঙগী অমুবা শম্নাং, নিংথিজরবা ঙক্তা-
পুম্নমক্লা ঐবু নুংশিহনখি---
নংুশিজৈ।

০৫.১০.৮৭ইং
আদমপুর

## লৈশাবী

লৈশাবী
লৈ-শাবা হৈবী
লৈগুম ফজবী
লৈত্রেংবু ঙমজবী লৈশাবী
লৈশাবীদি
লৈগুম ফজবীনী
লৈশাবীগুম ফজবীনী,
লৈশাবীগী মগুনদী
রোমগী লীবিয়াগুম নত্তে
ক্লিউপেট্রা হেলেনসু নত্তে
লৈশাবীদি
নুংশী হৈবা শকনী
চুপনিংবা শকনী
ফজবী শকনী,
লৈশাবী
লৈশাবীদি ফজবীনী
লৈশাবীগুম ফজবীনী
লৈশাবী
লৈশাবীদি
মপুরোইবা লৈরাগসু
লোইনবী ওইহনিংবনি।

১৪.৪.৯০ইং
ময়মনসিংহ

## সুবর্ণাগী চৎপা

সুবর্ণা-
নঙ চৎলনী, নঙ চৎখ্রনী
নঙনা চৎপা থা অহুম সুরে
চৎখ্রে থা আহুম, নঙ চৎখ্রনী-
অসুন্না নঙগী চৎপা
কৈদৌঙৈসু য়ানিংদে
মী-না তারগসু তানিংদে,
ঐসু চৎহলনিংদে।
নঙ চৎখিনু সুবর্ণা-
নঙনা চৎলিবদু হরাওফম ওইরমলোই
নুঙাইফমসু ওইরমলোই।
নঙ চৎখ্রনী পাও তাবদা
তাইবংগী ইনিন লোইনা মাঙখ্রে
হরাওনখিবা কয়া নিংশিংলুরগা
বাংলাদেশকী পুক্লিং পুন্নমকতা
থব্রানগী সারবা নুংশাগুম ওমচাকনহল্লী
করন্না খাঙগনী নঙনামুক চৎখ্রগা?

নঙনা চৎপগী মতুংদা
নঙবু নুংশিজবা কয়াতাসু নত্তনা
বাংলাগী মালেমসু কপলি
নুঙাইতবগী নুঙাইতবদা
খাঙবা ঙমদদুনা
পীরাং তৈথোকপা কাওরদুনা
ঐসু কপলি, মখোইসু কপলি
অদুবু অঙকপনি নঙসে
কয়াদসু মীনুংশী খঙদ্রবা

৩১.৫.৯০ইং
ময়মনসিংহ



CamScanner

## নঙসে ঐগী কবিতানি

থম্মোয়নুংগী পাক চাওরবা ঈয়াইদা
নঙসে ঐগী কবিতানি।
ঈয়াইদগী শিৎলকপা নুংশিৎকী ইপোমদি
তত্তনা য়ৈররি ৱাখলগী শুক্লবা কাদা।
ৱাহং কয়াতনা খোঞ্জেল ওইরগা
চেনফম লৈতে হায়বগুম ফাজিল্লগা
থম্মোয় শোক্না শানখিবা ৱারি কয়ানা পাম্বোম শারগা
খোমজিনবা ময়েক কয়াদি কবিতা ওইরম্লে।
অঙকপনি নঙসে-
অদুক থাপ্না লৈখ্রগসু নাক্তা হেক লৈরম্মি
মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা মতম কয়াদা
অৱাবনা তুমখুল তাল্লবসু
কোকিল খোংবা বসন্তগী তুরেল তোর্বান্দা
ফম্মিননা হেক ৱারী শুমিন্নরম্মি।
অদুবু ওহোকপনি নঙসে-
থম্মোয়শুপ্না নুংশিজৈ ৱাশকলম্নগা
হানিমুন উচেক্কী হরাওনিঙাই খোনজেল তাহৌদনা
সিনেমাগী একট্রেসগুম শক উৎলম্নগা নদোম তুমিন চৎখিবা
ঐগী পুন্সিদি শজিবু চৈরাউবগী নুমিদাংগুম
অকি-অখং তত্তনা মায়োক্নরে শুক্লবা অহিংদা,
তেংথারিবা ঐগী থম্মোয়নুংদি
কবিতাবু হৌজিকসু মুর্‌ম মুর্‌ম শোল্লি।

২১.২.৯১ইং
ময়মনসিংহ

# ইবেম্মা পিএলএ

মণিপুর কৌবী চিং-তমগী
ঈশিং-নুংশিৎ কয়ানা য়োকপিরকপা
ইবেম্মা নঙদি
বেলুন কাম্বা লোইদ্রিঙৈদগী
রানী গাইদেলু নত্রগা লীলাবতীগী
শক্তম শক্তি পায়রে, ফজরে।

পিএলএ কৌবী উজাও লাইরেম্বীগী
হৈরাং লৈরাংনা চাউজরবী
ইবেম্বা নঙদি
সেকেন্ড ওয়ারগী তানিয়াগুম
মতিক মগুন লৈরে, নিংথিরে
কয়াদা ফজরবা নঙগি পুকচেল
মণি পোকপী ইমা মণিপুর কনগনী হায়দুনা
তনৌরবা হকচাংগী পুম্মুন্নরবা পাম্বোন্না
নঙগি আর্মস পায়বা উরূরগা
ওন্থোক্লা নুংশিজখ্রে, নুংশিজৈ
ইমা লমদমবুসু নৌহৌনা অঁমুক নুংশিহল্লী।

০১.১০.৯১ইং
হামোমখুল

## করিগিনো কপ্লিবা

ঐবু কপহল্লগা নঙসু কপ্পা
নঙনাসু কপহনবা
ঐনাসু কপহনবা
অদুদি করিগিনো
করিগিনো কপ্লিবদি?
কপনিংনসু কপ্পা নত্তে
কপনিংদনসু কপ্পা নত্তে
ঐবু কপহল্লগা নঙসু কপ্পা
অদুদি করিগিনো,
করিগিনো কপ্লিবদি?
অরানবদি কনাগিনো
নঙগিরা ঐগিরা
ঐগিরা নঙগিরা?
ঐবু কপহল্লগা নঙনা করিদা নুঙাইরিবা।
নুঙাইবনা কদাইদা
অৱাবনা কদাইদা,
ৱাখন-পুখন ফজদবনরা
নত্রগা পুকচেল তিংদবনরা,
অরানবদি কনাগিনো
নঙগিরা ঐগিরা
ঐগিরা নঙগিরা?
ঐবু কপহল্লগা নঙসু কপ্পা
অদুদি করিগিনো,
করিগিনো কপ্লিবদি?

২৪.১০.৯১ইং
জামালপুর

## কদাইদনো চৎকদবা

লৈচিন্না মক্সল্লিবা হামুক তোৎলবা নঙগী পুন্সি ইচেল
মুসিন মুনা মমলবা তোর্বান্দা
তাওথদুনা লৈরে অকি-অয়েক থেংনদুনা,
মরন্নাই হকচাং থুং-শিল্লে কুমগী অনা অয়েক্লা
অমুবা হকচাং কুচুবু পুলৈ কুচুনি হায়রগসু
মক্‌লবা হকচাংদগী নমথিরিবা মনম
ফুদোকলে গনোরিয়া চুরবা যন-ইরোইগী য়ুংগুম
কদাইদনো চৎকদবা নঙগী লম্বেল?
খঙহীদ্রবা মিৎকপমদা মঙগুম্না
থম্মোয়গী ৱাংলবা চিংদোন অমদগী
মদোম তারকখি শুকলবা চিংখাদা
চৎফম খংদদুনা আফ্রিকাগী চিংমীগুম
থম্মোয়দা কোইঙাওনৈ হৌখিবা মতমগী
হরাও কুম্মৈ কয়া নিংশিংদুনা-
কদাইদনো চৎকদবা নঙগী লম্বেল?
হৌখ্রবা নঙগী মতম লাকলিবা নঙগী পুন্সি
করম্না হৌখি করম্না চেল্লিবা নঙগী পুন্সি ইচেল?
কান্নদ্রবা নঙগী পুন্সি করম্না চৎকনি হুজিক,
নিংবা থুংহৌদনা লেনখিবা মতম
কায়না মৈচাক্লা চাক্লবা নঙগী নমথিরবা ৱাখন
পস্থুংফম য়ৌদনা করম্না
হৌজিক কদাইদনো চৎকদবা নঙগী লম্বেল?

২৬.৭.৯২ইং
জামালপুর

## ব্রাহং

নোক্কা নোক্কা নুংশিনখিবা
কপ্পা কপ্পা কায়নরশি হায়ব্রা?
হরাও কুম্মৈ কয়া চৎমিন্নখিবা
হানিমুন কাদ ইরূপ্লগা
নুঙাই ব্রারী কয়ানা সাক্ষী ওইরগা
ব্রাশক্লখিবা কয়া খল্লুরগা
লৈরাং নঙনা লৈকা ফন্না শাৎত্রিঙৈ
শমদ্রেম্বীগী ব্রারি লিদ্রিঙৈ
লমায়থক্তা কেনখিগে খনবদি
লৈকোনগিদি কনানা লৈতেং পিবিগনি?

০৯.০৩.৯৩ ইং
রাঙামাটি

## মৈতৈদি মৈগী ফিরান পায়বনি

মোঙ্গোলোয়েদ মহাজাতিগী লেমজরবা
মৈতৈগী পোক্লফমদি কংলৈপাকনি
মীয়াম্নদি মণিপুর হায়নরি
পাখংবনা অনন্তনাগ ওনখিবনি
ইহান হানবা নিংথৌদি ইপা মশক খংলম্বা পাখংবনি
পাখংবা শনামহিদি গুরু শিদবাগী মচানি
শিদবাদি থৌজাল হৈরবা ঈশ্বরনি।

অতিয়া গুরু শিদবাগী মঙাল ফংলবা
শলাই তরেৎকি মচা-মশু মৈতৈদি
লৈথক লৈখারোলগী লৈখাদা লৈরম্মী
শিবা নাইদনা পোকখিবা অপোকপদি মৈতৈগী লিচৎনি।

লোয়াম্বাগী হাকতক্তা প্রাণ থাখিবা খম্বা-থোইবীনি
মরাল লৈত্রবী থোইবীদি অমুক হন্না উররোই
লৌশিং য়াওদ্রবা মপাঙ্গন কল্লবা খম্বাগুম্বাদি
মৈতৈ মরক্তা হুজিকসু থৌনা ফনা হিংলি।

পামহৈবনা নিংথৌ ওইরিঙৈ মতমদা
হিন্দুগী ডিগ্রী পাম্মুবনা
রামান্দি ধর্ম লৌদুনা রাম রাম শোনবা হৌখি
খোঙনাঙথাবা কৌবা মৈতৈ পন্ডিতনা হায়খি
পামহৈবা,"লমচৎ ফজৌ নমা ফজদবদুবু নমানি হায়য়ু"
প্রজা ময়াম্নসু নোঞ্জাখি
কনাগীসু তেংথাখোল তাখিদে
মৈতৈ পুয়াদি মৈ থাদোকখি
শিদবা শোনবা থাদোক্লগা হরে কৃষ্ণ হায়খি
লিক লুকুন শিবা হৌখি।

হুজিক্লা---
অশেংবা মৈতৈদি রাসলীলাগী মহুৎতা লাইহারাওবা থৌরম চৎলি
অশেংবা মৈতৈদি হুজিকসু লৈমরেন নিংবা থাদোকতে
ঈথৌ ইকানশিদবা শোল্লী ;
থৌনা ফবা মৈতৈদি
খুদৈ শেৎপা থাদোকত্রি, মৈগী ফিরান পায়বনি।

২৫.৭.৯৪ইং
হামোমখুল

# ইমালোন নুংশিশি

প্রেমগী পিরাং তাদ্রিঙৈ
নোংমৈ শীংজং তারকত্রিঙৈ
খঙদবা কয়া খঙনিংশি
ইমালোন নুংশিশি
মপু নিংবা হৈনিংশি।

লৈবুঙ ৱারী শারোইশি
খোম্লেন তুমখুল তাল্লোইশি
ইমালোন কাওরোইশি
পুন্সি মরেল শেমলশি
অরেম্বা মপোক ওইরোইশি।

তরংগী ঈরা তাদ্রিঙৈ
ৱাখল পুন্থংফম য়ৌরশি
তিংখং মথক্তা হিপত্রিঙৈ
ফমুং ইমুং থাদোকশি
মালেম লৈকোয় কোইরশি।

পুন্সি লৈরাং কেনদ্রিঙৈ
য়ুম্বাল কৈবাল তিন্নশি
উপাল হৈপাল য়েন্নাশি
লৈখোং কয়া শেংমিন্নশি
মাইগে মরি ঙালহনশি।

লৈমায় থক্তা হৌজিকসু
কবি চাওবাগী ইঙেল্লে
মালেম শিৎনা তেংথারৈ
চিন্নাদনা মাংখ্রগনি

মালংবনা পাউদমলৈ,
মীরাইবিনু ইমালোনবু
লাইররবী ইরোন্নি
হায়হননিংদ্রে হুজিকতি
মৈতৈদি থৌনাফবা জাতিনি।

০১.১.৯৫ইং
সুনামগঞ্জ

## হৌনবা হৌনদ্ববা

থাংজ নোংপোক কাহৈদে
ইরাই নোংচুপ কুমহৈদে
খ্বা-অৱাং চৎফদে
অরেম্বনি পুন্নামক।

হৌনাদে পুন্নমক কান্নদবনি
রিমোট কন্ট্রোলগী যুগসিদা
নত্তবা পুন্নমক খনফদে
হেনফদবনা অহানবনি
হোৎনাবনা চাওখৎপনি।

অকনবনা পাঙ্গন ওইথোক্তে
শক্লা মশক ফজবা নত্তে
লৌশিং বিদ্যা হৈবা তাই
শেন প্লায়বনাসু য়ুম্বু ওইরবনি।

হেজিন্না হরাওবা হরাওফদে
ওক্তবা লম্বি চৎফদে
য়েক্লা থবক তৌফদে
অহল-নহা খায়দনা নুংশি হৈবা তাবনি।

হৌনদে হায়রগা
ফুংগা ৱারী সুরগা
নোঙানবগা খৎনবা
তঞ্জা-মঞ্জা য়েংবা তাই
লৌশিং পাম্বে হৈবা তাই।

০১.১.৯৫ ইং
সুনামগঞ্জ

## কোরৌ লাইনিং

কোরৌ মপু লাইনিংথৌ
লাইজ ইপু ইপুধৌ
নচা ময়াম য়োকপিয়ু
নদোম তুমিন লোৎখিনু।

কুফেৎ-কাফেৎ তৌবিনু
তণ্ডাং লৈশাৎ তম্বিয়ু
মালেম লৈকোয় থুংবিয়ু
অহিং নোংজা মমনিংদে
শিব-কী তাণ্ডব উনিংদে।

আতিয়া ঈপাক্কী অঙমথৌ
নমু পোইরৈ য়েংবিয়ু
অনা-অয়েক ঙাকপিয়ু
তাইবং থুংনা চিঞ্জাক হুনবিয়ু।

কোরৌ মপু লাইনিংথৌ
সনা কাদা তুমহনগে
সনা কৈথেল কাহনগে
সনা মতুম অমতং লংথরকউ...
লাইরা চিঞ্জাক ওইজগে
তাইবংপান্দা হরাওজগে।

০২.১.৯৫ইং
হামোমখুল

## মাধবী পারূবদা

উনা উনা উদবা
তানা তানা তাদবা
নুপা নুপীগী অয়ৌবী প্রেম
অথকপা অরংবা থম্মোয় কায়বা প্রেম, মাধবীগী প্রেম,
অসিগুম্বা প্রেমগী মঙালনা
ঙালহনবা ঙমখি কমলগী মাধবী;
কমলগী এক্সরে মিৎয়েংদা উখি
ফোংদোকতবা নুংশিবা
ফোংদোকপা ঙমদ্রবা অৱাবা
কনানসু থৌসাবিদ্রবা
থৌসাবিদনা শাৎখ্রগা মতোমতা
লৈমায়থক্তা কেনখিবা লৈরাংগী তেংথাখোল
থম্মোয় শোক্লা তেংথাহল্লি ঐবুসু।
মাধবীগী পুন্সী হায়বদি
থম্মোয় অমসুং লৌশীংগী অকনবা লানফমনি
থম্মোয়না হায়রি- ধীরেনবু লৌশিল্লু
লৌশীংনা হায়রি- নুংশিবদি অৱাবনি
ওইজবা থাদোকউ, নশাবু কৎথোকউ।
লৌশীংনা জয় ওইখি
মাধবীদি লম্বোইবী ওনখি।
উনা উনা উনবা ঙমখিদে
ফংনা ফংনা ফংনবা ঙমখিদে
নুংশিবগী মৈরী হুজিকসু চাকলি
নঙগী ঐগী মহাক্কী থম্মোয় নুঙদা
মণিপুরী সাহিত্যদা। বিশ্ব সাহিত্যদা।।

০৮.১.৯৫ইং
হামোমখুল

## নোংমা ঐনা পাখং ওইর্বগী ৱারী

লুহোং-পন্দা য়ৌরগা
মাইক্কী খোঞ্জেল তারগা
নৌহৌনা অমুক লুহোংনিংঙি।

তাইবং পানগী ঈরাং-পরাং উরগা
লুহোং-পন্দা য়ৌরকপগা
শাবী-শানৌ শুমহৎলি,
চনু চরোং কয়াগী
খোইরী ইনিন তাবদা
অহল লৈনা কোকতৌরে,
পোমশাৎনবী লৈরাং কয়াগী
হরাও ঈশৈ তারগা
অহল ঐনা পাখং ওন্না লৈরম্বা
খন্থর্‌রগা ইকাইগেসু কাওখি,
তঞ্জা-মেঞ্জা খঙহৌদনা
মাঙখিবা চহী কয়াগী
তেংথার্‌বা মতমদা
উপাল-হৈপাল চেল্লিবী
চাওরবা পুখ্রিমগী ফিবাল থুংদুনা
অঙাং চরোং কয়ানা
উফুল চায়নবা উর্‌রগা
নৌহৌনা অমুক কেকুৎ লোৎপা শাননিংখি।

১৩.১.৯৫ইং
মংগলপুর

# লাইররবী ইরোন্নী

মতিক লৈত্রবা হকচাংসে
ৱাখন চাওরবা থম্মোয়সে
তঞ্জা-মেঞ্জা খঙদনা
অৱা নুঙাই খঙদনা
ইশানা ইশাবু ৱারকচৈ
ঐতনা ঐবু থৌগনজে।

কনানসু খঙদ্রবা ঐনসু উদ্রবা
ফজৈ হায়রগতা ফজবা, ফজবদি খঙদবা
চৎলু হায়রগতা চৎপা, চৎফমদি খঙদবা
অসি ওইরে থাজবদি
মসি ওইরে খনফমদি।

মীগি মরোলদি খ্বায়না খঙনৈ
ঐগী ইরোন্না ইমুংদা
থেংবসু থেংনদে মপান্দা
অদু ওইরবসু ইমালোন্নি
ময়াম পুন্না নুংশিশি
জগত শিন্না সন্দোকশি
লাইররবি ইরোন্নি।
হায়হননিংদ্রে হুজিকতি।

২৪.৬.৯৭ ইং
আদমপুর বাজার।



CamScanner

## নঙনা লাকত্রবদি

নঙনামুক লাকলগা
ঐগী ৱাখন পুখন নৌনামুক ইনাকখুনগনী
তুংশন্না লৈবা হকচাংগী ঈ
চেনগদৌরিবনী
করিগুম্বা লাকত্রবদি
কুমগী লায়ননা শুমহৎখিনি
নহা ঐনা লম্বোয়গদবা পুন্সিবু
য়েংবদা নঙগী অৱাবা ওইরগনি।
নঙনা লাকপা মতমদা
ঐনা লৈরমদ্রদি
নঙগী নুংশিরবা মীৎলু অনিদো
খৎনা চৈননী খনবদা
য়াম্না য়াংনা লাকহননিংই।

নোংমাগী তত্তনা নঙনা লাক্কনী হায়বদু
ঙসি চহি কুন হৌখ্রে
লৈশাৎ তম্না শাৎলম্বা
হরাও হরাও লেনমিন্নখিবা
মপুন্সী কয়াসু তুমখোল তানখ্রে
ঐগীসু মতম লোইদৌরে
নঙ লাকপা ঙাইবদা।

২৪.৬.৯৭ইং
কমলগঞ্জ

খুঞ্জা তরামরিগী ফিবম

মহাদেবকী চাওরবা বট পাম্বিগী মমি ফংলবা
খুঞ্জাও ওইনা মতম অমদা মতিক লৈরম্বা
হৈপাল লৈপালদি ফংদ্রিবা
হামোমনা কোনবা হামোমখুল ;
কবি অনিগী পোকফমদি
লৌনম তৌরবা ময়াংনা নমহৎখ্রে
মণি পোকপি ইমা মণিপুরনাসু য়ান্না নুংশিবিবনি
মণি ফংগনি খনবনা
হুরান্না চেনখিবা মশিং য়ামলে, হুজিকতি চৎত্রে
ময়াংবুসু তুহৎখ্রে।

কোনা অমদা লৈখি হায়বনা কোনাগাঁওনি
আর্মি বিডিআর পুখম অমদা চামিন্নবনি
নুংশিনবদি পাঙনগনি
মীতৈ লিচৎতি থাদোকতবনি
নিংথৌ ওইনিংবা য়াবা মফমনি
চৎপু চৎলুরবদি
ব্রহ্মপুত্র ওনবা য়াবনি,
কোনাগাঁওদি
উজাও লাইরেম্বীনা কোনবনি
লাইরেম্বীগি নুংশিবা খরা চেৎতবনা
ইমা লমদমদা হুরান্না চেনখিবদি হুজিকসু তোকত্রি।

মঙ্গে মখোংদা মঙ্গে পাম্বিদি অমত্তা লৈতবনি
হৈরাং লৈরাংদি মরাং কায়বনি
খুঞ্জা তরামরিগিদি খোয়দৌনি
মৈতৈগী খায়দগী অহন অইরবা
মচা-মশু লৈরবা
ইজাতি কনগনি হায়না চোংথোকখিবা সংগঠন
বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী পোকফমনি,

বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ কমলগঞ্জ শাখাগীসু পোকফমনি
মনিপুরী সাংস্কৃতিক পরিষদকীসু পোকফমনি
মৈতৈগিদি হরাওনিংবগী তীর্থনি
লাইরিক লাইশু হৈগল্লী
ডাক্তার ইঞ্জিনিয়ার পোকফমনি
য়ু থকপা য়ারোই হায়না চোংথোকখিবা
মহিলা উন্নয়ন সমিতিগী সু পোকফমনি
বাহরাইন পাম্বা মীনা মশক খঙবা ঙল্লবা
মঙ্গেমখোংদি
য়েংবদা ফজরে পুংলঙ লংখ্রে।

ভানুবিল কৌবা খুঞ্জাদি
মহৌসানা মতিক মগুন লৈবনি
কৃষক আন্দোলন লাম্মীশিংগী পোকফমনি
জননেতা ইরবোত, নেহেরু না খোংদাবিরম্বা ভানুবিলদি
ওজা নীলকান্ত, খৈরুদ্দিনগী আশির্বাদ ফংলবা
কবি অমগীসু পোকফমনি
ম্যাজিষ্ট্রাট পোকপাসু ঙম্বনি
ঐতিহাসিক ভানুবিলদি
ইপুধৌ শিদবাগী মমি তারবনি
মীতৈ লীচৎ কাওদবনি।

গঙ্গানগর শ্রীপুর হায়বা খুঞ্জা অমিদি
ময়াং লৈবাক্কা চাখ্রে
উপায় লৈতে খঙদুনা
মণি পোকপী ইমানসু তত্তনা নুংশিবীবনি,
গঙ্গানগরদি
কবি সনাতন হামোমগীদি
ইমা পোকফমনি
মতম অমদা মহাক্কী কেকুৎ লোৎফমনি।

চা বাগানগা লোইননা খুন্দাবা
কাটাবিল কৌবা খুঞ্জাদি

চা মনাগুম নুংশিরবা লৈনম চেনবনি
তুরেল লালবদি হৈতবনি
হৈত্রগসু উ-ৱা মরাং কায়বনি।

য়াম্না শাংনা তাবা অকট্রুবিলদি মশক মতৌ ফজবনি
থায়নাগী ফুনাফমনি
হুজিকতি পুকচেল তিন্নবনি
শাবী-শানৌগুম নুংশিনবনি
লাইরিক লাইশুসু হৈগনবনি
আমলা ডাক্তার পোকফমনি, উনবদি ফংদবনি।

ইরন্নাই পাম্বা তোপ তোপ্পা নঙ্কলৈকাইদি
কনানসু থৌসাবিদে
থৌসাব্দ্রিসু মখোয়দি নুঙাইনা লৈবনি
চাবা-থকপা ৱাত্তবনি, তুরেল লানবদি হৈতবনি।

মদোম তুমিন হিংলিবা
জাতি অমাগী অনা-অয়েক উদ্রিবা মাধবপুরদি
থাপ্পি হায়দুনা কনানসু চৎপিদে
মখোয়নসু লাকপিদবনি
মখোয় মসেনতা অসুম নুংশিনবা ঙম্বনি।

হুমেরজানদি নগর হায়রগা খঙনৈ
মতম অমদা মৈতৈ নিংথৌগী পোত্থফমনি
রাজবাড়ীসু লৈরম্বনি
পাখংবগী নগরদি হুজিকসু লৈনম চেনবনি
মৈতৈগিদি তীর্থ ওইফম থোকপনি
মীতৈ লীচৎ অসিনি হায়বদু
খঙদববু খঙহনবা ঙম্বনি
মীতৈলুপকী সংস্থান অমসু লৈবনি
নেতা লৈরগসু নেত্রীদি
শেনখায় লৌবা হৈবনি
মশক মতৌসু ফজবনি

হুজিকতি মশক উবা ফংখিদ্রে।

মংগলপুর কৌবা লৈরাংদি
লৈকা ফন্দুনা হিংলি
মশক মতৌসু ফজবনি
লাইরিক লাইশুসু হৈগনবনি
মীতৈ লীচৎ থাদোকতে, কাঙ সানবসু থাদোকতে
সমিতি তৌবসু তোকতবনি
সেনজাও পাইবা ময়ামদি
চাওরবা পুখ্রিদা মমায় তাবা ফংঙি।

চিৎলিয়া কৌবা খুঞ্জাদি
কাচিন অমদা লৈখ্রে
দত্ত কৌবা লুকুন য়াওদবা বামন্না
কাচিন কয়া য়েংদুনা, অমা-অনি ফাদুনা
চন্দন থিনবা তাকপিখ্রে
থিল্লিবা চন্দন অদু হুজিকতি
অসেংবা নত্তে খঙলবনি।

খুঞ্জা তরামরিসিনা মৈতৈগিদি ভানুগাছনি
বাংলাদেশকিদি মণিপুরনি, মণিপুরদি ঐগীসুনি।

০৯.৭.৯৭ইং
সুনামগঞ্জ

## লময়ানবা হৌরশি

নঙগা ঐগা
ঐগা নঙগা
নোংমাগী তত্তনা নোক্লা নোক্লা নুংশিনখিবা
কপ্না কপ্না কায়নরশি হায়ব্রা?
হরাও কুমৈ কয়াদা হরাওখিবা
হানিমুন কাদা ঈর্ু প্লগা
নুঙাই ৱারী কয়া শামিন্নখিবা
করম্না কাউরশি হায়বগে নুংশিবী?

লৈরাংরক্তা নোংমা নঙনা নোকফেৎ তৌখিবা
ওমচাক্লরবা ঐগী পুন্সিদা
লৈমাগী থৌজাল ফংলবা
নুংশিবী নঙগা ঐগা, ঐগা নঙগা
ফমুং মথক্তা কেৎকু লোৎপী শানখিবা
করম্না কাউরশি হায়বগে নুংশিবী?

নিঙাই তৌনবা থাদোকশি
লৌনম তৌনবা তোকলশি
নুংশিবগী অশংবা ফিরান পাইরশি
পন্থুংফম থিরশি, লময়ানবা হৌরশি।

২৯.৬.৯৭ ইং
হামোমখুল

## নুংশির্‌রবদি

লৈরাং নুংশির্‌রবদি
শৈরেং থাপ্না চৎথোকখি,
শৈরেং নুংশির্‌রবদি
লৈরাংনমুক কেনগে হেক হায়,
লৈশাবী নুংশির্‌রবদি
লৈরাং অমসুং শৈরেং পুল্লপ্না হুরান্না কপ্পি
শৈরেং অমসুং লৈরাংগী তেংথাখোল তার্‌রবদি
থম্মোয় শোক্লা নুংশিহল্লী,
য়াম্না হেন্না নুংশির্‌রবদি
লৈশাবীনামুক লৌনম তৌদুনা চাকহল্লী,
য়াম্না হেন্না চাকলাবদি
সাকীনা ঐবু গ্লাস পায়না কৌশল্লী।

২৯.১.২০০০ইং
হামোমখুল

## নঙগা-ঐগা

নঙগী ফজবদি
নঙগী হকচাংনি
ঐগীদি থম্মোয়দনি
শুরুবা চীং
অমসুং বাগান।

২৯.১.২০০০ইং
হামোমখুল

## লৈশাবী চরোং অমগা ময়োক্লবা

মৈতৈ খুল্লক লৈরক্তা
লৈশাবী চরোং অমগা মায়োক্লবা
পাখং পুন্সি ওইরিঙৈ
মায়োক্লবগুম
ওম্থোক্লদি নুংশিখি,
লৈশেৎপী লৈফনেক মচু মরক্তা
ঙৌসোক ঙৌবী লৈশাবী অমনা
নোকফেৎ তৌনা য়েংশল্লকপা
পাজেরোগী হেড লাইট কাপসল্লকপতৌনা
ঙৌসোক ঙৌখিবা ঐসু
নৌনামুক নহা ওইনিংখি।

২৯.১.২০০০ইং
হামোমখুল

## অরানবা ঙাক্তনি

মালেমসিগী পুন্নমক
অরানবা ঙাক্তনি
অচুম্বদি
হুজিকতা পোকপা অঙাংদুনী
হুজিকতা কপখিবদুনি
অমসুং
অচুম্বদি
ঐগী য়ু গ্লাস অমতংদুনি।

২৯.১.২০০০ইং
হামোমখুল

## নঙবু পামজরবগীতনি

নঙসে কনানসু পাম্বা নত্তে
কনানসু নুংশিবা নত্তে
নঙগী হকচাং
নঙগী শম্লাং
নঙগী নিংদোন
নঙগী মীনোক
ঐনতা পামজারবগীনি
নুংশিরবদি নত্তে
নঙগী লমচৎ পামজরবগীতনি।

২৯.১.২০০০ ইং
হামোমখুল